# মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিট্টিং এম পি / এম এল এশিংগী মথক্তা লৈবা কেসশিং

*লামায় ১গী মখা...* মতুংইন্না মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিট্টিং এম পি/এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েল চথনবা স্পেসল কোর্ট অনী ফাওবা লিংদুনা থবক হৌরকখিবনি। লোয়ননা পি আই এল অসি থা অসিগী ১৮দা চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমার অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা অমুক্কসু লৌখৎতুনা খন্নখি।

নুমিৎ অসিদা কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পি আই এল অসিদা রেসপোন্দন্টশিং ওইবা য়াওরিবা ষ্টেট ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদা এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখি। অদুগা পি আই এল অসিগী এমিকস ক্যুরি ৱাই নিরমোলচান্দসু শরুক য়ারদুনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা দিসেম্বর ৬, ২০২২গী মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এদমিনিষ্ট্রেসন) না নুমিৎ অসি ফাওবদা মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিট্টিং এম এল এশিংগী মথক্তা লৈবা কেস ১২গী ষ্টেটস রিপোর্ট অমা টেব্যুলর ষ্টেটমেন্ট ওইনা ফাইল তৌরক্লে হায়বা ৱাফম কোর্টতা থমখি।

মখা তানা এমিকস ক্যুরিনা কোর্টতা তৌখিবা সবমিসনদা হায়রিবা কেস ১২ অসি হৌজিক ইনভেষ্টিগেসনগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেজশিংদা লৈরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা কেসশিং অসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী প্রোগ্রেস অসি মোনিটর তৌরবদি কেসশিং অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন অথুবা মতমদা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী সজেসনসু কোর্টতা থমখি।

এমিকস ক্যুরিগী সবমিসন তারবা মতুংদা কোর্টনা সজেসন অসিগী মেরিট লৈ হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক পেন্দিং কেসশিং অসিগী ইনভেষ্টিগেসন মোনিটরিং হকথেংননা তৌবগী থবক্তি কোর্টকী মায়কৈদগী ওইথোক্লোই হায়বা ৱাফম থম্লদুনা কেসশিং অসিগী মরী লৈনবা কোর্টশিংনা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৫৬ (৩) না পীবা পাৱরশিং শীজিন্নদুনা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক মোনিটরিং তৌবনা অচুম্বা ওইগনি হায়খি।

লোয়ননা কেসশিং অসিগী ইনভেষ্টিগেসনদা মোনিটরিং তৌবগী রিপোর্ট মরী লৈনবা কোর্টশিংনা চৎলিবা জন্যুৱারী থা অসিদগী হৌরদুনা থা খুদিংগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জুদিসলদা রিপোর্টশিং সবমিট তৌরক্কবা খঙহনখি। লোয়ননা মেট্টর অসি মার্চ ৩১, ২০২৩দা মখা তাবা ৱায়েলগীদমক অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসকী আই জি পি (এ দি এম) না দিসেম্বর ৬, ২০২২দা কেস ১২ অসিগী হায় কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবা ষ্টেটস রিপোর্টতা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না নুমিৎ অসি ফাওবদা পেন্দিংদা লৈরি হায়বা কেসশিংদি থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ জয়কিষণগী মথক্তা ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৭ (১) ১৯৯৬ অন্দর সেক্সন ১২১, ১২১-এ আই পি সী অমসুং ১৩ য়ু এ (পি) এক্ট, ৱাঙ্গৈাই এ সীগী এক্স এম এল এ ও লুখোইগী মথক্তা ৱাঙ্গৈাই পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৯ (২) ২০১৭ অন্দর সেক্সন ৩২৪, ৩৫২, ৩০৭, ৩৪ আই পি সী, ২৫ (১-বি) আর্মস এক্ট অমসুং ২৭ আর্মস এক্ট, ময়াংইম্ফাল এ সীগী এক্স এম এল এ, কে ঐচ রতনকুমারগী মথক্তা ময়াংইম্ফাল পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৪ (২) ২০২২ অন্দর সেক্সন ১৪৭, ১৪৮, ১৪৯, ১৮৮, ৩৫৩, ৩২৫ আই পি সী, লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যামগী মথক্তা শীংজমৈ পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৭৭ (১১) ২০২১ অন্দর সেক্সন ৫০৬, ৩৫৪, ৩২৫, ৪২৭, ৩৪ আই পি সী অমসুং ২৫ (১-সী) আর্মস এক্ট, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এক্স এম এল এ, আর কে আনন্দগী মথক্তা শীংজমৈ পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৩ (১) ২০২২ অন্দর সেক্সন ৪৪৮, ৩৫৪, ৩২৫, ৩৮৪, ৪২৭, ৩৪ আই পি সী, ৱাঙ্গৈাই এ সীগী এক্স এম এল এ সলাম জয়গী মথক্তা ৱাঙ্গৈাই পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৭২ (১১) ২০২২ অন্দর সেক্সন ২৭৯, ৩৩৮, ৪২৭ আই পি সী, সিংহাট এ সীগী এম এল এ চিনলুন্থাংগী মথক্তা সিংহাট পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৩ (৩) ২০২২ অন্দর সেক্সন ৩২৩, ৩৫২, ৩০৭, ৩৪ আই পি সী, থাঙ্গ এ সীগী এম এল এ, টি রোবিন্দ্রোগী মথক্তা কৈবুল পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৮ (১১) ২০২১ অন্দর সেক্সন ২৯৪, ৫০৪, ৩৪ আই পি সী, সী আই দি ক্রাইম ব্রাঞ্চনা নুংবা এ সীগী এম এল এ দিপু গাংমৈগী মথক্তা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৩ (২) ২০২২ অন্দর সেক্সন ১৩ পি সী এক্ট অমসুং ১২০-বি, ৩৪ আই পি সী, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এক্স এম এল এ, এম দি অমিন শাহগী মথক্তা পোরোম্পাৎ পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৩০ (৫) ২০২১ অন্দর সেক্সন ৩২৫, ৫০৬, ৩৪ আই পি সী, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ সৈখ নুরল হাসনগী মথক্তা পোরোম্পাৎ পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৮৯ (৭) ২০১৮ অন্দর সেক্সন ৪৪৭, ৪৪৮, ৫০০, ৫০৬, ৫১১, ৩৪ আই পি সী অমসুং ২৭ আর্মস এক্ট অমদি অন্দ্রো এ সীগী এম এল এ টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা অন্দ্রো পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৩৪ (৫) ২০২২ অন্দর সেক্সন ১৮৮, ৪২৭, ৪৪৭, ৩৪ আই পি সী অমসুং ২৫ (১-সী) আর্মস এক্টনি হায়রি।



নেটাজি সুভাসচন্দ্র ভোসকী মতাংদা জিপি ৱিমেন কলেজতা পাঙথোকখিবা লেকচর প্রোগ্রাম দিগ্নিটরিশিংনা মৈরা চুদুনা হৌদোকখিবা

# রিপব্লিক দে নুমিৎতা য়ু পি আর এফ এমনা পুং ১৮গী...

*লামায় ১গী মখা...* মনীং তম্বা লৈঙাকলোল লৈজরক্লবা কংলৈপাক (মণিপুর) গী ওইনদি 'দি মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭' কৌবা মশাগী ইথোক্লবা কন্সটিট্যুসন অমা চৎনবা হৌদুনা এদল্ট ফ্রান্সিসতা য়ূম্ফম ওইবা ইলেক্সন তৌদুনা খল্লবা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকচবা মনীং তম্বা লৈবাক (দেমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্ট অমা কুমজা ১৯৪৮দগী লৈবা হৌখিবা কংলৈপাক্কী মনীং তম্ববু নম্ফুদা মৎপীখ্রবা মতুংদগী লোইলমগী চৈনাখোল খাংলিবা কংলৈপাক্কী মীয়াম্না লোই মপু ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনবু চৎনবা হৌখিবা নুমিৎসিদা পাঙথোক্লিবা রিপব্লিক দে থৌরম অসিগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনফম থোক্তে।

ঙসিদি কোলোনিএল ইন্দিয়াগী মখূত্তা কংলৈপাক্কী নীংতম্বা মাঙখ্রবা মতুংদগী, মপূং ওইনা ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা শেমগৎখিবা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনসিনা ৱেসিয়া লমদমগী ফুরুপচাশিংগী মফমদদি শাথীবা তাইওন্নবা শীংনবা অমা ওইহন্দুনা মশাগী শক্তম, আইদেন্টিটি, কলচর অমসুং লমখৈশিং মাঙথরক্তুনা, ৱেসিয়া লমদমসিগী ফুরুপচাশিং তপ্না-তপ্না মুৎখিবা য়াবগী অরুবা ফীভম অমা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা হিংলুবদগী ওইরক্লি।

মসিমক্তি ৱেসিয়া লমদমসিগী মীয়ামগা মপূং ওইবা ইন্দিয়াগী শক্তমগা পুৱারীগী তাঙ্ককশিংদগী তোঙান তোঙানবা নেসনেলিজমগী চেপ্টরদা লৈরকখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদসু ইরৈচাশিংগী ওইবা থোইদোকপা প্রোভিজনশিং য়াওখিদবা অমসুং ইন্দিয়াগী লোইলম ওইনা ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্না ঙসি ঙসিমকসু হিংলুবদগীনি হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, কোলোনিএল ইন্দিয়ানা কংলৈপাক্কী লৈঙাকলোল, শেন্মীৎলোনবু মপূং ফানা খুদুম চনশিন্দুনা থমখ্রবা মতুংদা, লমদমসিগী আর্ট, কলচর, হিষ্ট্রি অমদি ত্রেদিসনেল ভেল্যুশিংবু হিন্দুত্ব আইদিওলোজিশিংগা য়েম্মৌনহন্দুনা কংলৈচাশিংগী আইদেন্টিটি মালেমগী ফম্বাকথক্তগী মূথুৎখিনবা থৌশিলশিং লেপ্তুনা চথরক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা কংলৈচাশিংগী শক্তম্বু হিন্দুত্বদা য়ূম্ফম ওইবা মহাভারত্তগী কেরেক্টরশিংগী শরুক অমা ওইনা শাগৎতুনা অমদি মখোয়গী চাদা নাওদাশিংনি হায়বগী ফেক আইদিওলোজিগী য়ূম্ফম অমা শেমগৎনবা কোলোনিএল ইন্দিয়া অমদি মখোয়গী মখাদা লৈঙাক্লিবা হংলাই লৈঙাক্কী মীওইশিংনা মীয়ামদা হেক হেক অসিগুম্লবা থৌরমশিংদা স্পিচ পীদুনা কংলৈচাশিংগী মীয়ামগী কোকপু থমাইহন্নবা হোৎনরি হায়রি।

লোই চনশিন্দুনা থম্লবা লমদম অমগী মীয়ামগী য়ুনিক ওইবা আর্ট, কলচর, হিষ্ট্রি অমদি ত্রেদিসনেল ভেল্যুশিং য়াওনা নেসনল কেরেক্টরশিং মপূং ফানা য়েমৌনহন্দুনা মাঙখিবা ঙমদ্রবদি লোইলম অমবু মপূং ফানা লোই চনশিন্দুনা থম্বা ওইথোক্তে হায়বসি লোই মপু ইন্দিয়ানা খঙবতা নত্তনা নোংমদি লোইলমগী মীয়াম্না নীংতম্বগী লাল শোয়দনা হৌরক্কনি হায়বসি ইন্দিয়ানা খঙবনা মরম ওইদুনা কংলৈপাক্কী নেসনল কেরেক্টর অমদি ইরৈচাশিংগী য়ুনিক আইদেন্টিটি মাঙহনবা হায়বসি লোই মপু ইন্দিয়াগীদি তৌফম থোকপা মরু ওইবা থৌশিল অমনি। অসুম্না কংলৈপাক্কী য়ুনিক আইদেনটিটি অমদি পুৱারীশিংবু য়েমৌনহন্দুনা ইরৈচাশিংগী নেসনল কেরেক্টর মালেমগী মীয়াম মমাঙদা মাঙহন্নবা থৌশিলগা লোয়ননা লাকখিবা কোলোনিএল ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরশিংগী খোঙচৎশিংদগীসু ইরৈচাশিংনা থোইদোক্লা অশা তৌনীংঙাই লৈতে হায়রি।

কোলোনিএল ইন্দিয়ানা দেমোক্রেসি অমদি রিপব্লিককী মায়খুম উপ্তুনা মালেমগী মীয়াম মমাঙদা ইন্দিয়াগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা উহন্নবা ৱেসিয়া লমদমসিদা পাঙথোক্লিবা অসিগুম্লবা ইন্দিয়াগী সেলেব্রেসন/মখল মখা কয়াগী থৌরমশিংদগী ঐখোয়গী ইরৈচাশিংনা লাপথোক্লা লৈদুনা লাক্লি। অসুম্না ইরৈচাশিংগী অপূনবা লিচিং অমগী মখাদা মমা লৈবাক অমদি মফুরুপ্পু নুংশিবগী ইহুলসিগা লোয়ননা চথরক্লিবা নীংতম লালহৌ অমদি মীয়ামগী শক্তি অসিবু ময়াই চমহন্নবা কোলোনিএল ইন্দিয়াগী অচানবা মনাই, মখোয়গী মহি মুচুম, য়াই থাক্তুনা পংথহল্লবা খুন্নাইগী য়েক্লবা ওল্লবা মীওই খুজেক খরনা লুচিংদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে সেলেব্রেসন, ২০২৩ অসিনা লাকপসিদা কংলৈচাশিংগী মফমদা মীখা পোনবা অমদি লোইলমগী তমথীরবা মীওৎ মীনৈ অসুম অসুম শাংথনা চথদুনা লাক্লি হায়বা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকসি নত্তনা অতৈ করিসু ওইদবা মরম্না, নুমিৎ অসিদা য়ু পি আর এফ এমনা পুং ১৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে সেলেব্রেসন কংলৈপাক্তা পাঙথোকপদা অথিংবা থম্লে হায়রি।

মরম অসিনা মনীং তম্বা মৎপীখ্রবা হীরম খুদিংমক্তা নমথবীরবা লোইলমগী তমথীরবা মীওৎ মীনৈ অকি তুজুংবা কয়াগী চৈনা খাঙলিবা কংলৈপাক্কী মীয়াম্না অসিগুম্লবা লোই মপু ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে সেলেব্রেসন, ২০২৩ অসিদা শরুক য়াফম থোক্তবনা মরম ওইদুনা নুমিৎ অসিদা য়ু পি আর এফ এমনা কংলৈপাক্কী মফম পূম্বদা কৌরিবা পুং ১৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মখল খুদিংমক্কী শিন্থা লেপ্পীদুনা, য়ূম য়ূমদা লৈবীদুনা লোই মপুগী থৌরম থৌশিলশিং অসিবু য়ানীংদবা উৎতুনা লেপ্পীনবা ৱাফম থল্লকপগা লোয়ননা হায়রিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা লমদম অসিদা ইমর্জেন্সিগী হীরমশিংদা থবক তৌবীরিবা অদুগা ধর্ম্ম কর্ম্মগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লোয়ননা ঈ-পাউগী লম্‌দা থবক তৌবিরিবশিংদদি কোনশিল্লোই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# চহী ১১গী মনুংদা মণিপুরদা ঈংবগী...

*লামায় ১গী মখা...* মসিদগী তঙ্খাই অমা হেনগৎলক্লগা ৬.৩ খক্তমক ঈংখি। অদুবু থংনবা চহী কুমজা ২০১৮গী ওইনদি দিসেম্বর ২৭তা নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচর ৪.৭ ওইগদবদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩.৫ য়ৌনা ঈংখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর থাগী খ্বাইদগী ঈংবগী চাংসু থা অদুগী ২৫দা নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচর ৫.৩দা লৈগদবদা শুপ্নতগী ২.৫ য়ৌনা ঈংখি। কুমজা ২০২০গী ওইনসু দিসেম্বর থাগী ওইনা থা অদুগী ২৯দা নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচর ৪.৫ ওইগদবদা মসিদগী হন্থরগা সেলসিয়স দিগ্রি ৩.১ য়ৌনা ঈংখি। অদুগা থংনবা চহী ২০২১গী দিসেম্বর ২৮দনা নুমিৎ অসিদা নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচর ৪.৪ ঈংগদবদা মসিদগী হেনগৎলগা ৬.২ ঈংখি। নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচরগী চাং অসি হৌখিবা চহী ২০২২ য়াওনা অপূনবা চহী ১১গী মনুংদা দিসেম্বর ২৩, ২০২২দসু নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচর ৪.৯ ওইগদবদা ৫ য়ৌনা ঈংদুনা হৌখিবা চহী ১১গী মনুংদা অহুল্লক খক্তমক নোর্মেল টেম্পরেচর চাংদগী হেনগৎনবা ঈংবা মায়োক্লখ্রবসু অয়াম্বা শরুক্তি নোর্মেল মিনিমমম টেম্পরেচরগী ঈংফম থোকপা চাংদগী কা হেন্না হন্থরগা ঈংবগী চাং মায়োক্লখি।

অমরোমদা, হৌখিবা চহী ১১ অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ঈংবা থা অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা জন্যুৱারী থাগী ওইনদি কুমজা ২০১২গী ওইনা থা অদুগী ২৯দা নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচর ৫দা লৈগদবদা ১.০ য়ৌনা ঈংখি। কুমজা ২০১৩গী ওইনা জন্যুৱারী ১১দা নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচর ৪.৪ খক্তমক ঈংগদবদা য়াম্না খেন্নবা মওংদা নুমিৎ অসিদা মণিপুরদা -০.৫ য়ৌনা ঈংখি। কুমজা ২০১৪দনা ১.১, ২০১৫দা ২.৯, ২০১৬তা ২.৬, ২০১৭তা ৩.২, ২০১৮দা ২.৫, ২০১৯দা ২.৯, ২০২০দা ৩.৮, ২০২১দা ৪.১, ২০২২দা ৪.৯গী চাংদা ঈংখিবগা লোয়ননা চৎলিবা অনৌবা চহী কুমজা ২০২৩গী ওইনা হৌজিক (জন্যুৱারী ২২, ২০২৩) ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী ঈংবনা থা অসিগী ১৯ অমসুং ২০দা শুপ্নতগী সেলসিয়স দিগ্রি ১.৭ য়ৌনা ঈংখি। হায়রিবা নুমিৎ অনীসিমক্তদা ঈংফম থোকপা নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচরগী চাংনা মথংশিংনা ৪.৫ অমসুং ৪.৮ ওইগদবনি। অদুগা ঙসি (জন্যুৱারী ২২) দা ওইখিবা ঈংবগী চাংনা ৩.০নি। মসিমকসু ঙসিগী ওইনা নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচরগী চাংদি ৪.১নি। মসিদগী হন্থনা ঈংলিবনি।

হৌখিবা চহী ১১গী মনুংসিদা ঈংগদবা নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচরদগী হেনগৎনা ঈংবা জন্যুৱারী থাগী ওইনা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১দা নুমিৎসিদা নোর্মেল মিনিমম টেম্পরেচর ৩.৮ ওইগদবদা ৪.১ য়ৌনা ঈংখিবা খক নত্তনা অতৈ লেমহৌরিবা জন্যুৱারীগী নুমিৎশিংদদি ঈংফম থোকপা চাংদগী হন্থনা ঈংখি। মণিপুরনা শাংলবা চহী ১১ অসিদা অঙ্গং অশাগী খলদা কা হেন্না খল কায়রকপগী রিপোর্ট মায়োক্লরক্লিবা অসিগী মথক্তা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, চুড়াচান্দপুর, নোনে অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদদি পাক্তক্না মীয়াম্না উন তারকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা শক্লাইরবা ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট খরনা ফোঙদোরকখিবদা ফীভম অসি নোংম-নোংমগী হেন্না শোকচিল্লকপদৌনা তৌশিল্লক্লি। মরম অসিনা মণিপুরদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মরু ওইনা ষ্টেকহোল্ডরশিং অমসুং লৈঙাক্লা মহৌশাগী ফীভম ঙাক্তুনা থম্লবা হোৎনদুনা কায়থরক্লিবা অঙ্গং-অশাগী চাং অসি থিংহৌনবা হোৎনদ্রবদি তুংগী মীরোলনা অমুক্কা হেন্না খুদোংথীবা মায়োক্লরগনি হায়রি।

## CROSSWORD-3767



**ACROSS**

1. Fastened(4)
3. Scented(8)
9. Radioactive element(7)
10. Big(5)
11. Assists(5)
12. Cancer or Capricorn(6)
14. Ailing(6)
16. Junkie(6)
19. The East(6)
21. Rub out(5)
24. Go in(5)
25. Has ambition(7)
26. In motion(5,3)
27. Slender rod(4)

**DOWN**

1. Veracious(8)
2. Electronic communication(1-4)
4. Hostility(6)
5. Book size(5)
6. Gin and vermouth cocktail(7)
7. Profound(4)
8. Motor fuel(6)
13. Emphasised(8)
15. Fine wool fabric(7)
17. French channel port(6)
18. Capital of Canada(6)
20. Mistake(5)
22. Major blood vessel(5)
23. Bill of fare(4)

**Solution 3766**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5065

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | 9 | | | 4 | 6 | | 3 |
| | | | 8 | 3 | 2 | 7 | | 9 |
| | | | | | | | | |
| | | | | | 6 | 5 | | |
| | 6 | 4 | 3 | | 8 | 9 | 1 | |
| | | 5 | 4 | | | | | |
| | | | | | | | | |
| 9 | | 8 | 2 | 4 | 5 | | | |
| 2 | | 6 | 9 | | | 8 | 3 | |

### Solution-5064

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 3 | 8 | 4 | 2 | 6 | 7 | 1 | 5 |
| 6 | 2 | 1 | 3 | 5 | 7 | 9 | 8 | 4 |
| 5 | 7 | 4 | 1 | 9 | 8 | 3 | 2 | 6 |
| 7 | 6 | 9 | 8 | 3 | 4 | 2 | 5 | 1 |
| 4 | 1 | 5 | 9 | 6 | 2 | 8 | 3 | 7 |
| 3 | 8 | 2 | 5 | 7 | 1 | 6 | 4 | 9 |
| 8 | 5 | 6 | 7 | 1 | 3 | 4 | 9 | 2 |
| 1 | 4 | 7 | 2 | 8 | 9 | 5 | 6 | 3 |
| 2 | 9 | 3 | 6 | 4 | 5 | 1 | 7 | 8 |

## EMPLOYMENT NEWS

### IBSD RECRUITMENT 2023 FOR PROJECT ASSOCIATE-II, LABORATORY TECHNICIAN

Institute of Bioresources and Sustainable Development Project Associate II, Laboratory Technician Recruitment 2023: Advertisement for the post of Project Associate II, Laboratory Technician in Institute of Bioresources and Sustainable Development. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 27 January 2023. Candidates can check the latest Institute of Bioresources and Sustainable Development Recruitment 2023 Project Associate II, Laboratory Technician Vacancy 2023 details and apply online at the www.ibsd-imphal.nic.in recruitment 2023 page.
Institute of Bioresources and Sustainable Development Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.ibsd-imphal.nic.in. Institute of Bioresources and Sustainable Development selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at India. More details of www.ibsd-imphal.nic.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Institute of Bioresources and Sustainable Development (IBSD) invites applications for recruitment of Project Associate-II, Laboratory Technician
Project Associate-II, Laboratory Technician
Education Requirement B.Sc
Total Vacancy 6 Posts
Job Locations Imphal
Experience 2 - 5 years
Salary 20000 - 35000(Per Month)
Posted on 18 Jan, 2023
Last Date To Apply 27-01-2023
Educational Qualification:
Admin Executive: Master's Degree in Natural or Agricultural Sciences/ MVSc or bachelor's degree in Engineering or Technology or Medicine from a recognized University or equivalent; and 2 years experience in Research and Development in Industrial and Academic Institutions or Science and Technology Organisations and Scientific activities and services.
Laboratory Technician: B.Sc. / 3 years Diploma in Engineering & Technology.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 20000 - 35000(Per Month)
Age Limit: Maximum 50 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Project Associate II, Laboratory Technician in IBSD.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for IBSD Recruitment 2023 must complete the application process before 27/01/2023. Here we have attached the complete procedure to apply for the IBSD Recruitment 2023 along with the application link.
Step 1: Go to the IBSD official website ibsd.gov.in
Step 2: In the official site, look out for IBSD Recruitment 2023 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Project Associate II, Laboratory Technician, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the IBSD Recruitment 2023
Important Dates:
Published on: 19 January 2023
Last date for application is: 27 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### BCPL RECRUITMENT 2023 FOR SENIOR MANAGER (LAW)

Vacancy Circular No: BCPL-31/2023
Brahmaputra Cracker and Polymer Limited (BCPL) Senior Manager (Law) Recruitment 2023
Advertisement for the post of Senior Manager (Law) at the Brahmaputra Cracker and Polymer Limited (BCPL). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st January 2023. Candidates can check the latest Brahmaputra Cracker and Polymer Limited (BCPL) Recruitment 2023 Senior Manager (Law) Vacancy 2023 details and apply online at the bcplonline.co.in/ recruitment 2023 page.
Brahmaputra Cracker and Polymer Limited (BCPL) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ bcplonline.co.in/. Brahmaputra Cracker and Polymer Limited (BCPL) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in Assam. More details of bcplonline.co.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Senior Manager (Law)
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781006 Assam
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification: Graduate Degree in any discipline with minimum 50% marks and Bachelor Degree in Law (LLB) (minimum 03 years professional course) with minimum 50% marks. OR 05 years integrated LLB Degree (Professional) with minimum 50% marks. Preference will be given to candidates having Master Degree in Law (LLM).
Experience: Candidate must have enrolled as an Advocate and possess minimum 08 years of postQualification experience as a Law Executive in Public Sector / Large Private Sector Companies or as an Advocate in a reputed Law Firm / Bar and / or District and higher courts in handling litigations before Arbitration Tribunals, Judicial / Quasi-Judicial Forums. Candidates working in Govt. / Public Sector must have minimum one year experience in the next lower pay scale or next lower equivalent pay scale.
Pay Scale: INR 80000-220000/- Per Month
Age Limit: 40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Before appearing for the Walk-in-Interview, candidates should ensure that he / she fulfills all the eligibility and other criteria as mentioned in this advertisement. The candidates who meet the job specifications may appear for walk-in-interview as per details mentioned below: Date of Interview: 31.01.2023 Venue: Novotel, GS Rd, Dispur, Downtown, Guwahati, Assam 781006. The reporting time is 09:00 am. (This Job Source is Employment News 21-27 January 2023, Page No.38).
Important Dates:
Published on: 20th January 2023
Last date for application is: 31st January 2023
For more details, please refer to official notification at View Official Notification



ৱারী মমিং : হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

